# অধার একাউন্ট য়াওদনা কঞ্জুমরশিংনা সবসিদাইজ এলপিজি সিলিন্দর লৈবা য়ারগনি



***নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২১ ঃ*** চাক থোংনবা গ্যাস শিজিন্নরিবা মীওইশিংনা অধার একাউন্ট য়াওদ্রবসু সবসিদাইজ এল পি সিলিন্দর লৈবা য়ারগনি হায়না ওইল মিনিষ্টরনা ঙসি লোক সভাদা লাউথোকখ্রে।

অধার একাউন্ট য়াওদনা মমল হন্থহল্লবা লিক্যুদ পেট্রোলিয়ম গ্যাস (এল পি জি) সিলিন্দরশিং মীয়াম্না চয়োল অসিগী মনুংদা লৌবা য়ারগনি হায়না পেট্রোলিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাস মিনিষ্টর ভিরাপা মোইলিনা ঙসি লোক সভাগী ৱাহং পাউখুমগী মতমদা ফোংদোকখ্রে।

দাইরেক্ট বেনিফিট ট্রান্সফর স্কিমগা লোয়ননা কেবিনেট মীফম্না অধার একাউন্টকা মরী লৈনদনা মমল হন্থহল্লবা এল পি জি সিলিন্দরশিং য়েন্থোক্লুবগী ৱাফম অদু খন্নখি। হৌজিক মমল হন্থহল্লবা সিলিন্দরশিং অদু অধার একাউন্ট য়াওদনা লৈবা য়ারগনি হায়না ঙসি ১৫শুবা লোক সভাগী অরোয়বা মীফমদা ওইল মিনিষ্টরনা ফোংদোকখ্রে।

অদুম ওইনমক সবসিদাইজ গ্যাস সিলিন্দরগী মমল হেনগৎহনবগী মতাংদদি সরকারনা ৱারেপ লৌখিদে হায়রি। দাইরেক্ট বেনিফিট ট্রান্সফর স্কিমগী মখাদা লুপা ক্রোর ৪.৮৬ কী শেলফমশিং লৈবাক অসিদা লৈরিবা যুমথোং ক্রোর ২.০৬ তা কান্নবা ফংহল্লগনি হায়রি।

নো য়োর কষ্টমর (কে ৱাই সি) নিয়মগী মতুং ইন্না এল পি জি লৌনবগী মতাংদা সরকারনা শেংদোকখিবদা ইমুং অমনা মশিং হেন্না কনেক্সন লৌবা য়ানবগী ৱাফম মমাংদা ফোংদোকখ্রে। দরকার লৈরবদি হিরম অদুদা মখা তানা য়েংশিনগনি হায়রি।

এল পি জিগী কনেক্সন তৌবগী লৈফম অমত্তদা তোঙান তোঙানবা কনেক্সন অনি লৌবা য়াবগী অয়াবা লৈগনি। মদু ইমুং অদুদা তোঙান তোঙানবা চাকখুম অনি লৈরবদি য়াহনগদবনি হায়রি। ভিরাপা মোইলিনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা, চহি অমদা লৈবাক অসিগী যুমথোং ক্রোর ১ দা অনৌবা এল পি জি কনেক্সন পীরি। মদু মরুওইনা খুঙ্গংগী লমদমদনি।

সরকারনা লাইরবগী পনখৈ মখাদা লৈবা মীওইশিংদা অনৌবা কনেক্সন ফংহন্নবগী অখন্নবা থৌরাং পায়খৎনবা খন্নরি। মদু অথুবা মতমদা থবক ওইনা ওন্থোক্লকপা য়াই হায়খি। মহাক্না হায়, লৈবাক অসিগী লাইরবা ইমুংগী চাদ ৯৬ না চহি অমদা এল পি জি সিলিন্দর ৬ কী মখাদা শিজিন্নৈ।

লৈবাক অসিগী মীয়ামগী চাদ ৬০ না এল পি জি নত্রগা পি এন জি গী কনেক্সন তৌরি। মদু চাদা ১০০ কনেক্সন তৌহন্নবা হোৎনগনি হায়না মোইলিনা মখা তানা ফোংদোকখি। দরকার লৈরবদি সরকার অদুনা গ্যাস পীননবগী অখন্নবা থৌরাংশিং লৌখৎকনি। সরকার অদুনা ইমুং অমদা এল পি জি সিলিন্দর চহি অমদা ১২ পীননবা লেপ্লখ্রবনি।

হাউসকী মেম্বর অমনা এম পিশিংদা অথুবগী ওইনা এল পি জি কনেক্সন তৌবা য়াননবা ৱাফম পুখৎলকপদা মোইলিনা হায়খিবদা মদুগী মতাংদসু সরকার অদুনা খন্নরগনি হায়খি।

# সরাধা গ্রুপকী চিয়ারমেন চহি ৩ ফাদোক তারগনি

***কোলকতা, ফেব্রুৱারি ২১ ঃ*** সরাধা গ্রুপকী চিয়ারমেন সুদিপটো সেন চহি অহুম জেলদা লৈবগী দন্দি বিধানগর কোর্ট অমনা ঙসি লাওথোকখ্রে।

লুপা ক্রোর কয়াগী ফন্দ লান্না শিজিন্নবা কেসকা মরী লৈননা দন্দি ফংবা অহানবা মীশক সুদিপটো সেননা ওইরগনি। বিধানগর সব দিভিজনেল কোর্টকী মাজিস্ট্রেটনা মহাকপু চহি অহুম থবক শুবা জেলদা লৈনবা অমদি লুপা লিশিং ১০ ফাইন ওইনা থিননবা রাই অদু লাওথোকখি।

মহাক্কী দন্দি অদু তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং অতোপ্পা মীওই কয়াগী মিংদা চত্থরম্বা অমদি শেল কয়া লান্না শিজিন্নখিবগী মতাংদা পীখিবনি। লুপা লিশিং ১০ গী ফাইন অদু পীবা ঙমদ্রবদি থা তরুক মখা তানা জেলদা লৈগদবনি হায়রি।

ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী সেক্সন ৪০৬ কী মখাদা ইমপ্লোয়িশিংগী প্রোভিদেন্ট ফন্দশিং লান্না শিজিন্নথোকখিবগী মরালসু শিরি। ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী সেক্সন ১২০ বি গী মখাদা ফন্দ লান্না শিজিন্নথোকখিবা অমদি লৌতুনবা কয়া চত্থখিবগীদমক মহাক্কী মথক্তা দন্দি অদুসু পাল্লি। ইং ২০১৩ গী এপ্রিলদগী মহাক্না কষ্টদিদা ঙসি ফাওবা লৈরকখিবগী মতম অদু মহাক্কী দন্দিগী মতম অদুদগী কক্থগনি হায়রি।

# অচুম্বদু খঙমিন্নসি

## ঙল্লিনৈঙে মতমগী লৈবাক ৱা–৬

*মালেম লৈকোইপুংসিগী হৌজিক হৌজিক ওইরিবা লৈবাকশিংগী ফিভম, লৈঙাক্লোন, চৎন–লোনচৎ কয়া অসি য়াম্না ঙল্লিনৈঙে মতমগী লৈখিবা ফিভমগদি পুরা খেন্নবা হায়বসি মশানা তাজরবা ৱাফমনি। মতমদুদা ওইখিবা মীওইবগী সভ্যাতা অদু কমদৌবজাৎনো হায়বদু খঙমিন্নসি।*

**ময়ান এম্পয়ার ঃ** *ময়ান এম্পয়ার অসি সাউর্দন মেক্সিকো অমদি নোর্দন সেন্ট্রেল অমেরিকা ফাওবা শন্দোক্তুনা সিটি ষ্টেট কয়া অমনা পুল্লগা শেম্বা লমদম অমনি। মফমসিদা ২০০০ বি সি দগী ময়ান কাংলুপ্না খুন্দারক্লম্বা য়াই থাজনরম্বসু, ময়ান কাংলুপ্না হেন্না চাওখৎখিবা মতম অসি ৩০০ দগী ৯০০ এদি ফাওবনি। মতমসিদা ময়ানশিংনা অঙকপা আর্কিটেকচরেল ষ্ট্রকচরশিং পলাগু অমদি উক্সমেলনচিংবা শাখি। অসিগুম্বা অঙকপা ষ্ট্রকচরশিং অসিনা ময়ান কাংবুশিং অসি মতমদুদা অঙ্কগী নোলেজ অসি ফজনা লৈ হায়বসি খঙবা ঙম্মী। ৯০০ এ দি গী মতুংদগীদি ময়ান এম্পয়ার অসি তপ্না তপ্না মরাই চাইথরকখিদুনা ১৫শুবা সেঞ্চুরিদদি স্পেনিসশিংনা লান্দাশিন্দুনা খুদুম চনখি।*

**ইনকা এম্পয়ার ঃ** *ইনকা হায়বা লৈবাক অসি অচৌবা সম্রাজ্য অমনি। মসিগী এম্পয়ার অসি সাউথ অমেরিকারোমদা স্কৱার কিমি ৯০০,০০০ শন্দোক্তুনা কলম্বীয়া, বোলিভিয়া অমদি অর্জেন্টিনা কোনশিল্লি। ইনকা সমাজ অসি য়াম্না মওং–মরিল তানা লৈবা সমাজ অমা ওইখি। মী খুদিং থবক অমমম তৌনবগী মথক্তা মীপুম খুদিং (ইনকাশিং) ষ্টেটনা য়েংশিন্দুনা হিংবদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং ফংহল্লি। ১৫শুবা সেঞ্চুরিদা এজটেক্সকুম্না ইকা লমদম অসি স্পেনিসশিংনা লান্দাশিন্দুনা মাং তাকহনখি।*


### খঙহঞ্জবা

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা করিগুম্বা খরা খঙহঞ্জরী মদুদি হান্না থৌবাল টু খোংজোম চেল্লম্বা দিজল ওটো সার্ভিস অদু লৈররোই। মসিগী মহুত্তা খোংজোম টু থৌবাল দিজল ওটো সার্ভিস হায়না মমিং থোন্দুনা লৈরগনি। মসি হান্নবা থৌবাল টু ৱাংজিংগী সব–ব্রাঞ্চ ওইদুনা লৈরম্বদগী য়ান্নবা অমগী মখাদা লোয়শিন্নখিবনি। মসিদা কনাগুম্বনা ওবজেক্সন তৌবিনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ২৮।০২।২০১৪ ইং ফাওবগী মনুংদা তৌবিবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

*সেক্রেটরি,*
**সাপম ইঙোচা সিংহ**
খোংজোম টু থৌবাল টেক্সি সার্ভিস।

SL-1176/22



১৬শুবা লোক সভা মীখলদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মণিপুর দেমোক্রেটিক পিপলস ফ্রন্টকী মীরেপ

**ডা. গুরুময়ুম তোনসনা শর্ম্মা**



মহাক্কী মোতোনা ‘‘লিবর্টি, ইক্কেলিটি অমদি ফ্রেটর্নিটি’’ হায়বদি ‘‘নীংখা তম্বা, মান্নবা খুন্নাই অমদি মচিন–মনাও ওইবগী চান্ন–চিন্নবা’’ ফেদরেল গভর্নমেন্ট অমা শৌগৎপনি। মীয়াম্না এম দি পি এফতা অহোঙবা মণিপুর অমগীদমক অমসুং মণিপুর কলহৌনবগীদমক মীয়ামগী ভোট পীনবিয়ু।

ইমা লৈবাক মণিপুর মতম অমদা অৱা লান লোইরদুনা চহি ৭ খুন্তাকখিবা (১৮১৯–১৮২৫), ঐখোয় ঈ মশেল মরক্তা লিংজেল মান্নদবা, মচোই তান্নবদগী থোকখিবগী ৱারী লৈ। অদুবু চিংলেন নোংদ্রেখোম্বা (গরিবনিৱাজ) মহারাজ থোক্লকখি অমসুং ইমা লৈবাক মণিপুর অমুক হন্না নীংখা তম্না পানখি। মতমগী ঈচেলসু অঙকপনি। মতিক মঙাল লৈরবা বৃটিশ সম্রাজ্যগী কোলোনাইজেসনগী শাফুনা মণিপুর য়ৌরক্লবদা বৃটিশকী মখুত্তা ১৮৯১ এ দি এঙ্গলো–মণিপুর লান্দা মায়থিদুনা ঐখোয়গী মতমদুগী মহারাজ কুল্লচন্দ্র অমদি যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ মীফা ওইখি, ইপা–ইপু, অকল অথৌশিং মরুওইনা থাঙ্গাল জেনরেল অমদি পাউনা ব্রজবাসি লোয়ননা খোংমী লান্মী কয়া অমসু মরৈবাক্কীদমক্তা মথ্বায় থাখি, অরোইবদা মণিপুর নীংখা তম্বা মাংখি। অদুবু লেপ্পা নাইদ্রবা মতমগী ঈচেলদা চহি কয়াগী মতুংদা দেমোক্রেসিগী মঙালনা কনখৎলক্লবদা বৃটিশ পেরামাউন্টসি পৃথিবীগী মফম অয়াম্বদা মুখরক্লবদা তাং ১৪, ১৯৪৭ মণিপুর লৈবাক বৃটিশশিংনা অমুক মহারাজ বোধচন্দ্রদা শিন্নরম্বনা মণিপুর অমুক নীংখা তম্বা লৈবাক ওইরকখি। অদুম ওইনমক ৱাখল থেনবা লীচিং অমদগী ইন্দিয়াগী লৌতুনবা লাল্লোংদা মায়থিদুনা চয়েৎনবা মার্জর এগ্রিমেন্ট অমা সেপ্টেম্বর তাং ২১, ১৯৪৯ দা মহারাজনা মীয়ামগী সাসন লৈন–লৈনা মীয়াম তান্নবগী তাঞ্জা ফংখিদনা অয়াবা সহি তৌথোকখিবদগী ওক্টোবর তাং ১৫, ১৯৪৯ চহি অদুমক্তদা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা চনখিদুনা নীংখা তম্বা লৈবাক ওইরকখিবদু অমুক হন্না মাংখিরমখি।

হৌজিক্তি ঐখোয় পোলিটিকেল্লি ওইবা ঐখোয়গী ইরমদম ইমা লৈবাক নীংখা তম্না ঙাকচনবগীদমক লাক্লিবা ১৬শুবা লোক সভা মীখলগী তানফম অসিদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা ইরমদমগী রিজনেল পার্টি এম দি পি এফ না নেসনেল পার্টিশিংবু মায়থিবা পীদুনা পার্লিয়ামেন্টতা রিপ্রজেন্ট তৌদুনা তকখায়নবা / থেঙ্গাইনবা নত্তনা উপায় অমা হৌজিক্কী ওইনদি লৈররোই হায়নীংই। অদুনা হন্দক্কী মীখল অসিদা ঐখোয় শোয়দনা ঙম্নবগীদমক্তা, ঐখোয়গী ওইবা মীওই মায় পাক্লবগীদমক্তা, ভোট কানবগীদমক্তা, মীয়াম্না এম দি পি এফ কী মীরেপ ডা. গুরুময়ুম তোনসনা শর্ম্মদা ভোট পীবিদুনা মণিপুর ইমাগীদমক্তা মায় পাকহনবীয়ু অমদি ইমা মণিপুরবু মীপালগী খুৎ চনবা নেসনেল পার্টিশিংদগী কন্ননবা তাঞ্জা অমা পীবিয়ু অদুগা এম দি পি এফ কী মীয়ামগী ওইবা থৌদাং ১৮ অদু পাঙথোক্লবগীদমক্তা খুদোংচাবা অদু পীবিয়ু। অরোইবদা ঐখোয় পুন্না ইমা লৈবাক মণিপুর খুরুম্মিন্নসি, থৌনিসি, ইমাদগী ‘‘হে ইমা মণিপুর পীনবিয়ু মায় পাকপা লাম্থেংনরিবা মীখা পোনবা হৈরক্লবা নচাশিং ঐখোয়বু’’ লাউরসি খোল্লাও ঐখোয় মায় পাক্লসনু।

*ফোঙজরিবা–*
**পব্লিসিটি কম্মিটি এম দি পি এফ**
হেদ ওফিস ঃ লাইরিকয়েংবম মখা লৈকাই
৩৩ কেভি সব–ষ্টেসন মমাং।

এসএল–২২


# জি এন এল এ গী কাদর ৩ হাৎখ্রে



***গুৱাহাটি, ফেব্রুৱারি ২১ ঃ*** গারো নেসনেল লিবরেসন আর্মি (জি এন এল এ) গী কাদর অহুম সেক্যুরিটি ফোর্সকা খুৎ থোক্লবনি হায়বা থৌদোক অমদা হাৎখ্রে হায়রি। মখোয়দগী নোংমৈ অমসুং নোংমৈ মরুশিং ফাগৎলে।

থৌদোক অদু ঙসি ইরাই নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা অসামগী গোলপারা দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবনি। গোলপরা দিষ্ট্রিক্টকী কৃষ্ণাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কাসুমারিদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অদুদা লালহৌলুপ অদুগী কাদর ৩ অদু হাৎখিবনি হায়না অসাম পুলিসকী স্পোক্স পার্সন অমনা ফোংদোরক্লি।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা লালহৌবশিং অদু মশক মমিং খঙদোক্লবা থবক পায়খৎলি হায়রি। পুলিস ওফিসিয়েলশিংনা ফোংদোরকখিবদা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অদুদা লালহৌবা অহুম হাৎখিবগা লোয়ননা মখোয়দগী নাইন এম এম গী পিস্টোল অহুম, ইন্সাস রাইফলগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৭, গেলেটিন ২, পোকখায়হনবা য়াবা মচাক মথুম অমসুং ৱয়ারশিং থৌদোক থোকফমদগী রিকোভর তৌরে হায়না অসাম পুলিসকী স্পোক্স পার্সন অদুনা মখা তানা ফোংদোরকখি।

# দিল্লি এসেমব্লি সসপেন্দেদ এনিমেসন থমখিবগী মতাংদা সরকারনা শেংদোকখ্রে

***নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২১ ঃ*** দিল্লি এসেমব্লিগী মপুন্সি চহি ৪ গা থা ১০ ৱাংলিঙৈদা এসেমব্লি অদু সসপেন্দেদ এনিমেসন্দা থমখিবগী মতাংদা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা শেংদোক ৱারোল ওইনা ফোংদোকখিবদা এ এ পি সরকারনা ফম থাদোকখ্রবা মতুং ৱাফম অদু রাজ্য সভাদা সপ্লিমেন্টরি দিমান্দ ওইনা অমসুং ভোট ওন একাউন্টস ওইনা পুখৎলকখি।

বি জে পি না কংগ্রেসতা এটেক কয়া চত্থরকখি। দিল্লিদা কনাগুম্বা অমত্তনা সরকার শেম্বগী ৱাফম লৈতবনা মরম ওইরগা এসেমব্লি অদু সসপেন্দেদ এনিমেসন্দা থমখিবনি। আর এস বোমাইগী মমিং লৈরবা ৱায়েল অমা ওইনা দিল্লিদা সসপেন্দেদ এনিমেসন থমখ্রবসু এসেমব্লি অদুদি দিজোল্ভ তৌখিদবনি হায়রি।

# পরিক্ষা হোলদা অঙাং উন্নখ্রে

***পটনা, ফেব্রুৱারি ২১ ঃ*** ঙসি বিহারদা ক্লাস টুয়েল্ভ পরিক্ষা থারিবী নুপী অমনা একজামিনেসন হোলদা অঙাং উন্নখ্রে।

থৌদোক অদু বিহারগী সরন দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবনি। চহি ২০ শুরবী মনিসা দেবী লুহোংলবা মতুং ক্লাস টুয়েল্ভকী পরিক্ষা অদু থাননবা হোল অদুদা লৈখি। শগোলশেল নুমিত্তা পরিক্ষা থারিঙৈদা মহাক্কী হকচাং নুংঙাইরক্তবা মরুওইনা লেবর পেন ফাওরকখি হায়রি।

কলেজ অদুদা এম্বুলেন্স য়ৌরক্তিঙৈগী মাংওইননা নুপী অদুনা অঙাং উন্নখি হায়না কলেজ অদুগী ওফিসিয়েল এস কে সিনহানা ফোংদোরকখি। থৌদোক অদুগী মতুংদা মহাক হোস্পিতালদা মিং চন্দুনা লায়েংখি।

অঙাং উন্নবগী থৌদোক অদু নোর্মেল ওইখি। লোয়ননা মমা অমসুং মচা অনিমক খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়রি। ডাক্তরশিংনা নুপী অদুবু য়েংশিল্লবা মতুং অশোয় অঙাম থোকনিংঙাই লৈত্রে হায়না ফোংদোরকখিবনি হায়রি। ক্লাস টুয়েল্ভকী পরিক্ষা অদু মমাং চয়োলদগী হৌখিবনি। মদুদা লৈবাক অসিগী সেন্টর ৮৮২ দা মীওই কয়ানা পরিক্ষা থারি। পরিক্ষা সেন্টরশিংদা অশোয় অঙাম থোক্তনবগীদমক সেক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি। চহি অসিদা লৈবাক অসিগী ওইনা ছাত্র ৯৮১৭৭৮ না পরিক্ষা অদু থারি। মদুগী মনুংদা ৪১০৬৬২ না নুপী ছাত্রীশিংনি হায়রি। হায়রিবা মীওইশিং অদু বিহারদা পরিক্ষা অদু থাখিবা মীওইশিংনি হায়না বোর্দকী ওফিসিয়েল অমনা ফোংদোরক্লি।

# মচানুপী ইজ্জৎ মাংহনবা রেপিষ্ট মমানা হাৎখ্রে

***রাঞ্চি, ফেব্রুৱারি ২১ ঃ*** চহি মঙাখক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা ইজ্জৎ মাংহনখিবগীদমক মহাক্কী অপোকপী মমানা য়োৎচৈ অমা পায়দুনা ইজ্জৎ মাংহল্লি হায়রিবা মীওই অদু ফুদুনা হাৎখ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা রাঞ্চি পুলিসনা ফোংদোকখ্রে। থৌদোক অদু রাঞ্চিদগী কিলোমিটর ২০ লোম চৎলগা লৈবা লাটমা কোলোনিদা থোকখিবনি।

নুপী অদুনা মহাক্কী মচানুপীবু ময়ুমদা থল্লম্লবা মতুং থবক শুবা চৎখি। অর্জুন তম্বা (২৭) কৌবা মীওই অমনা মহাক্কী পীক্লিবা চহি ৫ খক্তা ঙাইরিবী মচানুপীবু ইজ্জৎ মাংহল্লমখি। নুপী অদুনা থবক লোয়রবা মতুং ময়ুমদা হল্লকপদা মহাক্কী মচানুপীনা থৌদোক অদুগী মরমদা পাউদমখি। মদুদা শাওরবা নুপী অদুনা য়োৎচৈ অমা পায়দুনা চৎখিবগা লোয়ননা তম্বাগী ময়ুমদা চংদুনা মহাকপু শিদ্রিবা ফাওবা ফুখি হায়রি।

নুপী অদু থোকখ্রিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা নাম্থোকখিনবা হোৎনদে। লোয়ননা মহাক্না পুলিসতা সরেন্দর তৌখি হায়রি।

# দিল্লি এসেমব্লি দিজোল্ভ তৌননবা এ এ পি না হায়জরকখিবা এ সি না খন্নরগনি

***নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২১ ঃ*** দিল্লিগী লেফটিনেন্ট গভর্নরদা দিল্লি এসেমব্লি দিজোল্ভ তৌননবা সুপ্রিম কোর্টতা এ এ পি না পুখৎলকখিবা পিটিসন অদু সুপ্রিম কোর্টনা ইরাই নুমিত্তা লৌখ্রে।

দিল্লি এসেমব্লি দিজোল্ভ তৌবগা লোয়ননা অনৌবা মীখল লোক সভা মীখলগা পুন্না পাঙথোক্লবা ৱাফম পিটিসন অদুদা পল্লি। চিফ জষ্টিস পি সথা সিভমগী বেঞ্চ অদুনা হায়খিবদা,আম আদমীগী প্রসান্ট ভুষননা থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন অদু সুপ্রিম কোর্টনা চৎলিবা থা অসিগী ২৪ দা হিয়ারিং চত্থরগনি।

দিল্লিদা কনাগুম্বা অমত্তনা সরকার শেম্বগী ওইথোকপা লৈতবা মরম্না লেফটিনেন্ট গভর্নরনা এসেমব্লি অদু দিজোল্ভ তৌগদবনি হায়বা ৱাফমসু ফোংদোকখি। পাউচেশিংদা ফোংনখিবা অমদি দোক্যুমেন্টশিংদা যুম্ফম ওইদুনা আম আদমী পার্টি অমসুং সৌরব ভরদ্বাজনা পুন্না কেস অদু সুপ্রিম কোর্টতা থাঙ্গৎলকখিবনি।

ভরদুৱাজ অরবিন্দ কেজ্রিৱালগী মন্ত্রি মন্দলদা ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর ওইরম্বা মীশক অমনি। মহাক্না দিল্লিদা প্রসিদেন্ট রুল থমখিবগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা লেফটিনেন্ট গভর্নর নজিব জংদা মরাল শিখিবনি। মহাক্না হায়খিবদা, কংগ্রেসকী লুচিংবা অমসুং হান্নগী চিফ মিনিষ্টর সৈলা দিক্সিটকী মথক্তা শিরিবা করপসনগী মরালদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনরোইদবনি হায়খি।

চৎলিবা থা অসিগী ১৬ তা দিল্লিদা প্রসিদেন্ট রুল থমখিবনি। হৌজিক ফাওবা দিল্লি এসেমব্লি দিজোল্ভ তৌদুনা লৈরিবগী মনিংদা লৈরিবা ৱাফম অদু করিনো হায়নসু হংলক্লি। মমাং চহিগী দিসেম্বরদা পাংথোকখিবা দিল্লি এসেমব্লি মীখলদা কংগ্রেস চাউনা মায়থিখিবনি। মীখল অদুদা দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর অমসুং অতোপ্পা মিনিষ্টর কয়া মায়থিখিবনি হায়রি।

# ১৫শুবা লোক সভাগী অরোইবা মীফম লোয়শিনখ্রে



***নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২১ ঃ*** ইং ২০০৯ দগী ২০১৪ ফাওবগী ওইবা ১৫ শুবা লোক সভা মীফম য়ৈখায় থিনগায়বা অমসুং য়েৎনবা কয়া হৌখ্রবা মতুং ঙসি পার্লিয়ামেন্ট অদুগী অরোইবা মীফম লোয়শিনখ্রে। মীফম অদু ইং ২০১৪ গী মে থাদা পাংথোক্কদবা জেনরেল ইলেক্সনগী মাংওইননা ফমখিবনি। মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা পার্টিশিংনা অকনবা খোন শিজিন্নদুনা ৱাফম কয়া ফোংদোক্লখি।

প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা ঙসি কায়নবগী ৱারোল পীরদুনা হায়খিবদা, তোঙান তোঙানবা পার্টিশিংগী তোঙানবা ৱাফমশিং ফোংদোক্লখ্রবসু টেলঙ্গনা শেমখিবা অদুনা হাউস অদুনা মরুওইবা থবক অমা তৌরে হায়না লৌবগী খুদমনি।

লোক সভাগী ওপোজিসন লুচিংবী সুসমা স্বরাজনা হায়খিবদা, পুক্লিং নুংশিনিংঙাই ওইরবা হাউস অদু কম্মন নাথকী ৱারোলনা চমম্নবা থোকহনখি। অদুম ওইনমক হোম মিনিষ্টরবু মীনুংশি পোকপগা লোয়ননা মীফম অদু হৌখি। সোনিয়া গান্ধী অমসুং ইচম চমজবা প্রাইম মিনিষ্টরগী মায়কৈদা খুৎ থিংজিল্লকপা কয়ামরুম লৈখি। মহাক্না বি জে পিগী সেনিয়ার লিদর এল এক অদভানিবু মহাক্কী থবক থৌরমদা লমজিংবীবগীদমক থাগৎপা ফোংদোকখি।

মহাক্কী ৱারোলদা হায়, অদভানিবু থাগৎলি, মহাক্কী লমজিং য়াওরমদ্রবদি মহাক্না থবক অমত্তা পাংথোকপা ঙম্লমদবা য়াই। অদুম ওইনমক যু পি এ সরকারনা মখোয়গী ঙমজবা থাক্তা হোৎনদুনা এন্টি করপসন বিল পার্লিয়ামেন্ট সেসন অদুদা পুখৎলকখি। মদুদা ওপোজিসন পার্টিগী মায়কৈদগী ৱাফম কয়াসু ফোংদোক্লখি।

মীফম অদু মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে হায়না পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মিনিষ্টর কম্মল নাথনা লাওথোকখি। মহাক্কী ৱারোলদা সরকার অদুনা পাস তৌননবা পুখৎলকখিবা বিলশিংদা ওপোজিসন পার্টিশিংনা সপোর্ট তৌখিদে।

চত্থখিবা মীফম অদু শাংদোকহন্নবা সরকারগী অপাম্বা লৈখিবনি। অদুম ওইনমক ওপোজিসন পার্টিনা য়াখিদবদগী মীফম অদু শাংদোকখিদ্রে হায়খি। সরকারনা পাস তৌগদবা বিল কয়া ৱাৎলিবা অদুগী য়েংলগা মীফম অদু শাংদোক্লুবা খন্নখিবনি। অদুগুম্বা বিলশিং অদু কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা অখন্নবা শেম শারবা করপসন লাকশিন্নবা বিলশিংনি। বিলশিং অদুগী মনুংদা জুদিসিয়েল ষ্টেন্দার্দ অমসুং একাউন্টেবিলিটি বিলশিং য়াওরি হায়খি।

চত্থখিবা অরোইবা পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা সরকারনা অন্ধ্র প্রদেশ খায়দোক্তুনা টেলঙ্গনা ষ্টেট শেম্নবা অখন্নবা বিল পুথোক্লবা হোৎনবদা খুরৌ চেনবা কয়া থোকখি। সিমন্ধ্রদগী কারককখিবা এম পি কয়ানা বিল অদুগী মায়োক্তা খোংজং কয়া চংশিল্লকখি। মদুনা মরম ওইরগা সভাদগী এম পি ১৬ তাম্থোকখি। অন্ধ্র প্রদেশ খায়দোকপবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ষ্টেট অদুগী চিফ মিনিষ্টর ফম থাদোকপদা নত্তনা কংগ্রেস পার্টিদগী তোকখি।

বিল অদু পাস তৌনবা হাউসতা পুথোরকপা মতমদা তোঙান তোঙানবা এম পি শিংনা খোঙজং কয়া চংশিল্লকপগা লোয়ননা অন্ধ্র প্রদেশকী এম পি অমনা সভাদা মোরোক মকুপ চাইথোক্তুনা সভাগী অনৌবা ইতিহাস অমা শেমখি। থৌদোক অদুদা এম পি মঙা হোস্পিতালদা পুখত্তুনা লায়কন্নখি। থৌদোক অদু মোরোক মকুপ চাইথোকখিবা এম পি অদুনা মশা ঙাকথোকচনবা চত্থখিবনি হায়না ফোংদোকখিবা লৈখি।


8 GB pendrive free on HP 1510 all in one printer @ 3890/- limited stock

Introducing PROJECT 21

* Free Xerox facility for undergraduate student Paper charge extra .
* Eco friend recycling toner exchange offer with old toner with new one at amazing Price

Experience the power of Desktop

- Intel Daul core ,Hdd 160 Gb,Ram 2Gb DDR3, Intel chipset Mainboard,15.6" LED monitor , –@ 15,700/-
- Intel core 2 duo ,Hdd 160Gb,Ram 2 Gb DDR3, Intel chipset Mainboard,15.6" LED monitor , -@ 16,800/-
- Intel core i3 3rd gen, Hdd500 Gb,Ram 2 Gb DDR3, H61 Mainboard,15.6" LED monitor , -@ 24,800/-

UPS FREE @ 1,600/- On every Desktop

Laptop HP 1000 :- AMD Daul core , 2GB Ram , 500GB , Windows 8 @ 25299/-

Laptop HP 2000 (2d28tu) i3 3rd gen, ram 2gb, 500 gb , 15.6" screen @ 31,399/-
Laptop Asus FX1110 AMD dual core , ram 2gb, 500Gb , 15.6" screen @ 21,299/
Laptop Samsung N300 i3 3rd gen,ram 2gb , 500gb, 15.6 screen @ 29500/-

Kyocera Digital Xerox machine with printer card and colour scan Task alfa 1800 @ 47000/- ( by order )

Please visit 8575257697
S.K .TECHNOLOGY
3rd floor Bajaj TLC Building, opp UBI bank
Thangal bazar M.G. Avenue, Imphal west

16GB pendrive free on every Laptop Condition apply

hp ASUS KYOCERA acer